# অদুঙৈগী নাওথেম শৈরোল অমসুং হৌজিক মতমগী মোবাইল ফোন

**-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -**

মথায়-থায়নদা লৈরম্বা ইপা-ইপু, ইমা-ইবেনশিংদা অঙকপা মতিক-ময়াই ময়াম অমা য়াওরম্বজ ৎনি। তশেংনমক হায়রবদা মী অয়াম্বদি আর্টিষ্ট অমা ওইবগী মতিক ময়াইনা লৈতেংলম্মী হায়বা য়াই। লৌ শূবা-লিংবা-পেংবা-খাওবা-য়ৈবদা ঈশৈ শৈথা কয়া শক্লরম্মী হায়বসি অখঙ-অহৈশিংনা থন্বীরম্বা শৈরোল শৈথা কয়ানা লেঙদা খুদম ওইদুনা লৈরি। লৌথুপ-লৌকোই য়াওদবা তরু-তরুবা থম্মোয়দগী থোরকপা শৈরোল অদু তাবদা লৌবুক-লম্ফাং, চীংয়া-তময়া, লৌখোং-তুখোংসু পূক্নিং মকা লাম্না হরাউ মথোই কারমদৌবা মাল্লি। মীপূম খুদিংমক্লা মথৌ/শিন্থা পাঙথোকপা মতমদা ঈশৈ কয়া শক্লরম্মী হায়বসি ফৌশু ঈশৈ, লৌতা ঈশৈ, নাউশুম ঈশৈনচিংবা থন্বীরম্বসিনা ময়েক শেংনা তাক্লি। থায়না মমাঙঙৈদদি লৈরাং অমা শাৎলম্বা উরগসু লৈরাংগী লৈশক-লৈচু মতিক-ময়াই শৈথাবগা লোয়নননা লৈরাংগী মিংলেন থোনবগী চৎন-লোনচৎ লৈরম্মী হায়বগী ময়েক লারবা খুদমদি লৈরোল শৈথা ময়াম অমা থন্বীরল্লিবসিনি।

*থা থা থারৎনু (অয়াম্বনা থাবুংতোন হায়নৈ। করিগুম্বা মতমদা য়াম্না তাঙনা থারৎনু হায়বা ৱাহৈসি ইমাখোয়না শীজিন্নখি, মরন্নাই ৱাহৈ ওইরম্বসু য়াই)/নচা মোরাম্বী পোবীগে/পোবী শনম নম্বীগে/ হৈবোং চরোং অমত্তং থাদবীরকও।*

মোবাইল ফোন, টিভিনচিংবা মশক উবা ফংদ্রিঙৈ মতমদা লমদমসিগী নুপী ওইবীশিংগী মচিন্দা চিনফা পুদুনা লৈখ্রবা শৈরোল ওইরম্মী। নুমিদাং অঙাং কপ্পা থেম্বা নৎত্রগা তূম্নবা নাউশুম ঈশৈ ওইরম্বা শৈরোলনি। ঐবু পোকপী ইমানা তৌবা মতৌ অদুমক তমদুনা ইনাওনুপী মরিশুবী অমদি অতোম্বী ইনঙ্গনসিদা পোশিল্লগা মমা শাবী ওইখিবনি। কয়াদি নুংশিখ্রে, নীংথিজরবী থাজগী মঙান্দুদা অঙাং পোবগী শক্তম মমি তাবদু নোমফেৎ-নোমফেৎ। কনাগুম্বা শৈরেংবা শৈরেংবীশিংনা থাজগী মায়হিং হায়না শৈথানরিবা থাজ মাগী ময়ায়দা উ পাম্বী অচৌবা অমা হৌবগী শক্তমদুসু হৈবোং পাম্বী ওইদ-ওইরমদৌবোই নীংই। মমানা নৎত্রগা মচেশিংনা পোরগা নাউশুল্লিবা অঙাংদুসু হৈবোংদুবু চাবা ফংলগনি খনবগীরা নৎত্রগা নাউশুম শৈরোলদুগী মতিক ময়াইনি হায়গদরা হেক্তমক তূমথখি নীংঙাইদনা নঙ্গলদুদা। হৌজিক মতমগী অঙাংদৌনা চিক্কন চৌ, মোমোকসে খঙজবসু নত্তেদো। কবোক, লদু হায়রদি লোইজরবা মতম্নিদো। কয়াদা মতিক ময়াই লৈখ্রবা নাউথেম ঈশৈনো। ঐখোয়গী অহানবা ফিল্ম ***মতমগী মণিপুর***দা মপুরোইবনা মীরায়বীরবী অমগী শক্তম লাংবী য়েংখোম রোমানা মচাবু পোরগা ***থা থা থাবুংতোন/ঙাল্লি চিক্না নোংমদোল থৱান্মীচাক পরেংনা/উইরুম উইরুম য়েংলিয়ে*** হায়বা নাউশুম ঈশৈ শক্তুনা থাবল মঙান্দা নাউথেম্বদা অঙাং অদুনা মমায় পাকথ্রোক পাকখৈ মমাগী নঙ্গলদুদা তূমথখিবগী শক্তমদু কয়াদি নুংশিখ্রে! ***নোংনা ৱা ৱা চুরক্লে/ইমাগী লাংলেন তূমথরোনে/হয়া হুম হুম তূমথরোনে... মমানা কৈথেল কারমদাইদা/মচানা লাক্লে লাক্লে মহায়/লম্বী নাল্লি তুগানি/চৈশু শুদুনা লাক্লে মহায়/ ইচাদি মরম মোকপীনি/হয়া হুম হুম তূমথরোনে।*** মতম অমদা লমদম অসিগী শক্লাইরবী শৈশকপী ওজা ইবেম্মা কমলানা ওল ইন্দিয়া রেদিওদা শৈশক তম্বীখিবা নাউশুম ঈশৈদো ওহ্লোক্নসু নুংশিবনিদা!

পীক্লিবা অঙাং হায়বসিদি অঙাংনি করিবু খঙলুনি থক্লে, চাগে হায়বা নত্তনা। চউম্বগী থৌরম পাঙথোকপা মীৎকুপ্তুগী হৌরে, মমাগী খোল্লাং পীথকপদগী হেন্দোক্তুনা চাক্নচিংবা মপং ওইবা চীঙাকশিং পীজবা য়ারে। মতমদুদা চাক্না থুম ঙাগা মচা তানা নোইখায়দুনা তোৎলগা ইনবিরম্মী। মতমগী মতুংইন্না এঞ্জাংনচিংবসু চাবা হৈরকই। করিগুম্বা মতমদা অঙাং অদুনা নীংঙাই হায়গদরা, কেবা হায়গদরা তৌরকপা চাক চারোইদবগী মতৌ উৎলকপা মতমদা মমা-মনে, মচেমশিংনা পীজ গদৌরিবা চাক্তু চদুম মেৎলগা অসুম্না থেম্নে - ***হৌদোংও ঙ্যাও/কবোক খোইদুম মেৎলো ঙ্যাও/ঙা নম্মো ঙ্যাও/থুম নম্মো ঙ্যাও/চুহী নম্মো ঙ্যাও/শঙ্গোম নম্মো ঙ্যাও*** অসুম খনবদা হৌদোংগা শাগোন্নবা ৱাহৈ ওইরিবদু অঙাংদুগী চাক্তু হৌদোংদা পীজথোকখ্রগে হায়বা ওইরমদৌবা মাল্লি। মাগী চাক্তু হৌদোং লাক্লগা চাথোকখ্রনি হায়না পাখৎপগীরা খঙদে, মদুম্না হেক তৌরবা অঙাংদো চাক্তু হেক্তমক চাখি। হৌজিক মতমসিগী অঙাংশিংদদি চদুম অমদি ৱাহৈশিং অসিগী চন্নফম লৈগনি হায়বা থাজদ্রে। মচিং মশোন অরাংবী হৌরগা চদুমদু পায়রং লংখিবদা চাক চাবা খোৎপা মথোঙ মরম অমত্তা খঙগদবা মান্দে। অঙাং পূম্নমক য়েন মফৈ অঙৌবা অতাউবদা ঙাওবা, ষণ থোংবনচিংবনা চাউম্বীরো খনবা ঙাক্তমক ওইরক্লবরা খঙদে।

***তিং তিং চাউরো/নুমিৎনা কারিঙৈ কাহৌরো/থবিনা ৱাংলিঙৈ ৱাংহৌরো/ইপা মচুম তারো/ ইপু মচুম তারো।*** ইরু লুজবা লোইবগা ফদিনা তৈথোকত্রিঙৈদা মমা ওইবীশিংনা অঙাংদু থাঙ্গৎ-থাঙ্গৎতুনা চোংহনবদা শকপা শৈরোলনি। মদুদা অঙাং অদুনা মকা লাম্না খেক-খেক নোকচবদু উরগা মমাদুনা কয়াগী মতিক হরাউজখিবা। পূম্নমক্ত নীংশিং মমি ফাওবা শামখ্রবগুম্লে। ঙসিদি ঈশৈদুগী মফম মোবাইল ফোন্না মুনবীখ্রে। অঙাং ইরুজফম মনাক্তুদা মাগী মীৎমাঙমক্তদা মোবাইল ফোন্দু খিন্দুনা থল্লগা মানা পামজবা ঈশৈ জগোয়দু থারগা য়েংহল্লি। মদু হেক তৌরুদ্রবা কাওবগা থিনবগা মমাগী মশম ফোয়বগা লংবগা ইরু লুজফমকা মফম মরাং অমত্তা খঙবা নত্তে। মতমগী খোঙলৈদা লাকপা অওনবনি কনানবু থিংলুবা ঙমগদগে?

মতম অমদা চৎনরম্বা লোনচৎ শৈশক চায়োক নাউয়োক পূম্নমক অদু তৌদবা য়ারোই হায়বৈ ৱাদি নত্তে। মদুদি তাবুনুংদা মপোপ কায়হন্দনা অমাঙ-অতা থোকহন্দনা লীদুনা থমখ্রসনু হায়রবদা ঐখোয়গুম্বনা করিবু তৌজরবা ঙমগনি। তৌবতবু ঐখোয়গী মমল য়াল্লবা অসিগুম্বা পোৎশক কয়া থন্বীরম্মী হায়বসিমদি তুংগী মীরোল খুদিংমক্লা খঙহৌনবা হোৎনবগী মথৌ তারকই। য়াম্না খুনুং চঙবা তারদ্রা খঙদে, ঙসিগী অওনবা চাওখৎপগী ঈচেলসিদা মোবাইল ফোনগী শুম্মৎলাংনা শুম্মৎলবা পীক্লিবা অঙাংশিংগী মতৌ উরগা মিপাইবা পোক্তবসু ঙমদে। করিনো মতৌ লাংওন অমনি- মপাম চাক্লৌবা, য়ুমজঙ-কৈজঙবা, না হুৎপনচিংবা চাক য়াওবা থৌরমদা অঙাং মচা-মচাশিংনা মোবাইল য়েংলগা মমানা চাক ইনবা ইতৎ তত্তনা থেংনৈ। 'সুম য়েংবদা অঙাংদুনা চারিবদু মহাউ খঙলল্লোই, চাবগী মচিসু কারোই। য়ূম-য়ূমদসু অয়াম্বনা হায়রিবা মওং অসি চথৈ। অসুম্না তূম্বা-চাবা-শান্নবদা মোবাইল ফোনগা অঙাংশিংগা লীপক্লবা য়াদবগুম তৌরক্লে। ঈশম হেক শম্না নাউথেম-নাউশুম ঈশৈগী মহুৎ মীৎকী রেটিনাবু মপাঙ্গল শোন্থহনবদা অমদি কোক, ঙকশম, লেংজুম্নচিংবদা চৈনা পীবদা অয়ৌবী থাক্তা মতেং পাংলিবা মোবাইল ফোন্না মহুৎ শিনখ্রে। মসিদা মাঙজ গদৌরিবসি অঙাংশিংদুখক্তমক ওইফম থোক্তে, মীওইবা খুন্নাই পূম্নমক্কীনি। ●

# লাই নীংবা ইকায়বা পোকপা

**- নবকুমার ওইনা -**



মীওইবগী ইভোল্যুশন অসি মপূং ফাবা হায়বা লৈরোই, লোইবসু নাইরোই। লাইনীংনা মপূং ফাহনগনি থাজনরম্বদি ওইবা য়াদ্রে। লাই হায়বসি কন্ট্রোভর্সিএল ওইরক্লে, লৈতে হায়বসি খঙলকপা মী মিলিয়ন মরিগী মথক্তা লৈরে। অরাবিয়ানশিংনবু হানত্রা হায়বনি অদুবু থবক ওইনা পায়খৎলকপদি চাইনানবু হাল্লে। ঙরাং নহান্তা পাউচে অসিগী তাং ১৩-০১-২৫দা, লাইনীংগী চৎনবী খরা মচা নুপাদা তাক্লুবগীদমক চাইনাদা নুপী অমা জেলদা থমখ্রিবনি। মদুগী মমাঙদসু লাইগী পাউজেল মাইক্তা লাউগে তৌরুবা মীওই ১৪ নোংমৈনা কাপ্লগা হাৎখিবগী ৱাফম লৈখ্রিবনি। ঐ-ঐনা থাজবা, ঐনা নীংবদা য়েৎপা য়ারোই হায়বসি ৱাখল-লৌশিং ৱাংবশিংগী ৱাফম নত্তে। লৈবাক ৱাথোক ওইদনবা, য়েৎনবা-খৎনবা থোক্তনবা মতম খরা অদুমক লৈজসনু হায়বগী মীওই খরদা রাইট অমা পীবগী ৱানি। লমদম অসিদা ওইরবদি মী কয়ানো জেলদা লৈগদৌরিবসি। জেল চনবগী ৱা লৈতে। জেল লৈতবা লৈবাক লৈরবনিদা। লাই নীংনরিমখৈ মী অমগা-অমগা মান্নখিরোই, নীংনদ্রবদি মান্নরক্কনি। লাই নীংবা হায়বসি পঙবা-শিংবা তান্নবগী মওং অমা য়াওরি। চানবা নীংবা মীদি য়াম্বা নত্তে, অয়াম্বা খুরুম্লগা তোকপা ঙাক্তনি। নীংশিংনবা মীদি য়াম্বা, খঙদনা নীংবনি হায়বনসু য়াম্বা ওইরিবনি। পঙবা তোকউ হায়বদা শাওবা লৈরিবনি, অদুগা কান্নবা লৌবা মীদি মশীং য়াল্লিবনি।

চাইনাগুম্বা লৈবাক অমনা খুমাঙ চাওশিনবা ঙল্লিবসি লাইদা মতম মাঙহন্দবা অসিসু অচৌবা মরম অমনি। মদুমক ৱাখল পরিং চুম্না চৎপা ঙম্লকপগী লম্বী ওইরক্লবনি। লাইনীংনা মদু পীবা ঙম্লক্তবনি। ইন্দিয়াদসু লাইনীংনা লৈবাক-লৈঙাক্তা অয়েৎপা পীদুনা খুরৌ থাংখি-থাংলি হায়বা হৌরক্লবনি। লাইনীংদা য়ূমফম ওইবা লৈঙাক শাগৎলবদি লৈবাক কায়রকপসু য়াই হায়বগী অকিবা পোক্লরবনি। মালেমগী লৈবাক অয়াম্বা লাইগী ৱাসি তুংওইনবা উনরিবনি, ঐখোয়নদি খরা হেঞ্জিনবা মাল্লি। মদুগী মরমসু লৈগনি খল্লি, লান থোক্লিবা অসিগসু মরী লৈনরম্বা য়ারিবনি। অপঙবনা অশিংবা শারিবমখৈদি লান লোইরোই হায়বসিদি হায়শিন্নবা নত্তে, হান্না লৈবা ফোর্মুলা অমনি। অপঙবনা লাই নীংবসিসু হৌজিক্তি লান অমা শাগৎপা ওইরক্লবনি। লাই অমা মূথৎপা হায়বসিসু লান অমা থোক্লবা শিল্লিবনি, লৈবাক কায়নবা থৌশিলনি খঙবা চুম্মী। লাই হায়বসি ইশানা খঙজগদৌবনি, মীনা হায়বা থাজবা অদুনা লাই খঙবা ঙম্নরোই। মীনাই ওইবগী ৱাখলনা লাইদু ফংবা ঙল্লোই। লাইগীদমক্তা অঙম তান্নবা হৌরবদি লান অমা হৌরবনি হায়না লৌগদৌবনি। লাইদা পঙথা থাজহনবসু অপঙবা শীবনি, লাই নীংগনু হায়বদি য়াদে, খঙবদি ফবনি। লাইদু য়াদে হায়বসু নত্তে, তুং ইনবশিংনা হেঞ্জিন্না শেমজিনবসু ফজদে। লাইনীং খুদিংমক মীওইবনা হৌদোকপনি। অনৌবা অমা হৌদোকপা হৈবসু য়াওগনি। কাঙলূপ অমতগী ওইবদি য়ানরোই। মালেমগী মীয়াম্না য়াবা ওইগদৌবনি। লৈরগদ্রা?

থাজদ্রি। মীওইবগী ইভোল্যুশন অসি কদোমদা চৎকদৌরি। লম্লোং অমদা ৱারেপ লৈতনা লেপ্পা তাগদৌরিব্রা? মিনিষ্টরশিংনা মদু খঙগদ্রা, মখোয়দি দুকান্দার মাল্লক্লবনি, শেন্দোংগীদমক্তা কা অমদা লৈবা পোৎশিং য়োল্লিবনি। মশাগী য়ূমদি ইঞ্জিনিয়র অমনা শাগনি। ইভোল্যুশন অসিদা লাইনীংনা করি তৌবা ঙম্লবগে? য়েৎপা ওইগদৌরিব্রা, লাইনীংনা চমম্নবদি পোকহল্লিবনি হায়বা য়ারি। করিগী য়ানরোইদৌরিবনো, লাইনীংনসু ইভোল্যুশন নৈনরম্মী, নৈনরি। সাইন্সনসু লাইনীং নৈনবা লৈরিবনি। অনীমক্কী মরক্তা কদায়দা নুংশিৎ চঙলিবনো, য়ানফম থোকই। রিলিজন ইজ দি ফাদর ওফ সাইন্স, সাইন্স য়াদবা মীওইশিংনা খনবা ৱাখলগী থাক অদু করি কৌবা তারি। মদুমক ৱাথোক ওইরি, লাইনিংগী লাইরিক মৈ থারুবা মী হাৎপা ঙম্নরি। ইভোল্যুশনদা মতেং পাংলিবা হায়বদু ওইগদৌরিব্রা? লাইনীংগী লাইরিকশিংদু কম্প্যুটরাইজ তৌরি অদুগা সাইন্স য়াদে হায়গদৌরিব্রা? লৈখিদ্রবা লাইনা করিসু হায়দে, তুং ইনবশিংগী মরক্তা লান থোক্লি। লাই লল্লোনবা, লাইবু খূৎলায় ওইনা শীজিন্নবগী হৈনবী থাদোকপা ঙম্নদ্রি হায়গনি। লৈশেম্বনি হায়রিবা লাই অসিগা ইপা-ইপুনি হায়বসিগা তোৎশিন্নরি, লাই ওইখ্রে হায়বসি লৈখিদ্রে হায়বনি। লোন ফাওবা লৈখাই তাদ্রি, মীওই খরদি লাইরিক তম্বা য়াহল্লিবা ময়েক্তা লাইগা তোৎশিন্নরি। ময়েক অরিবদা ইরম্বা লাইরিক খুদিং লাইনা ইরম্বগুম খন্নবা য়াওরি। মী মরক্তা লাই শেমগৎনবা মীওই খরনা তৌরিবসি করিগী ওইগদৌরিবনো। লাইবুং অনৌবা, লাইশঙ অনৌবা শাগৎনরি, লাইগী ইভোল্যুশন লাক্কদৌরিব্রা? করি রেভল্যুশন কৌগদৌরি? লাইনি হায়বশিংসি পোক্লমদ্রবদি মী পোক্লক্লোই হায়গদৌরিব্রা?

লাইবুং খরদি মিনিষ্টরশিংনা চ্যেরমেন ওইরি। লাই নীংবগীরা, শেলগীরা, লাই লল্লোনবগীরা? লাইগা লৈঙাক্তা কনানা ঙল্লিবনো? অদুগা লাইনীংবশিংনা করি তৌরিবা, লাই নীংবনি করম্না হায়গদৌরিবা? মীরোল থোক্ত্রিঙৈদা শা অমা হাৎপগীসু পুল্লল্লিবনি। কাঙলূপ অমা মপূং ফানা শাগৎনবা হোৎনবা মতমদা থাজনবা অমসু শাগত্তবা য়াদবনি। থাজহল্লগা পুনবদগী লাইগী ৱাখল হৌবা ওইগনি। মহৌশাগী উরিবা পোৎ ময়াম খঙনবা হোৎনবা, অকিবা কয়া ঙাকথোকমিন্নবা ঙম্নবা লাই নীংবা হৌবা তারকখি। নোং, মৈ, শা-কৈ ময়ামসি কিরল্লিবনি। ঙসিদি মীওইবগী ৱাখল লৌশিংনা খুদুম চনখ্রে। লাই নীংলগা অদুমক অকিবা ফোঙদোক্তুনা লৈখিগদ্রা হায়বগী ৱাফম লাক্লে। তশেংবদি লাই নীংবা অসি পুনবা ঙম্নবা লম্বী শেম্বনি। পুন্দ্রি, থাজবা মান্নদ্রি। ঙসি পুনবা-পুনবা হায়নরিবসি পুন্দ্রিবগীনি। মীওইবগী অচৌবা অশোয়বা অমনি, হীরম অসিদদি মীওইবগী পাঙদবদু ময়েক শেংনা উরি। মদুদা লাই হায়বসি চেন্নরি, লাইশিংনা নত্তে, পুনবা পামদবা মীওই খরনা য়াজদবনি। মীয়াম অমদি করিসু হায়দনা লৈরিবনি। লাইনীং মান্নদবা, থাজবগী মওং মান্নদবা অসিদি লাইশিংনা হায়বা ওইগদৌবা মান্দে। খেন্নবদু শেমদোকপা ঙমদ্রবদি লাই নীংবনি হায়বসু য়াফম থোক্তে, লাইনি হায়রবসু লাই ওইফম থোক্তে। লাইনি হায়রিবা খুদিংমক্লা মালেমসি শেম্বদা শরুক য়ারম্বা নত্তে, থাজবা খুদিংনা চুল্লগনি হায়বসু লৈতে। লাইনীং হায়বসি অশিংবশিং অমনা হৌদোকপনি, থাজবদা অপঙবশিংসু য়াওরিবনি। অপঙবা ঐনা থাজবা খুদিংমক চুল্লগনি হায়বসি থাজবা য়ারক্তরে। ঐ করি তৌবা তারি, লাইনীং অমা হৌদোকপা তারিব্রা?

নুমিৎ নীংবা, নূঙ নীংবা, ঈশিং নীংবা, উজাও নীংবা, থা নীংবা হায়বসি থৱায় নীংবনি হায়বসু লৈ। থৱায় হায়বদি ঐ ইশা নীংবা হায়বা তাবনি। অহিংবা খুদিং মশাবুদি নীংনরিবনি। চেকশিন্দ্রগা, পঙলগা ঙন্তানা শিবা য়াওরিবনি। লাই পঙনীংদা নীংলগা পূন্সি শাংগনি হায়বদি লৈতে। পোকপা নাইবা থৱায় পানবা অমনা শিররোই হায়বসি লাইনা য়াদ্রে। শিররোইদৌবগুম্না ঙাঙবা-শকপা শাজৎ অদুদি লাই নীংবা কৌবা য়াদ্রে। থৱায় নীংবা হায়বদি কুইনা, নুংঙাইনা লৈনবা হোৎনবা হায়বনিনা শা-কৈদগী কঞ্জবা, য়েক্লবশিংদগী কঞ্জবা, মৈ-ঈশিং-নুংশিৎতগী কঞ্জবা, লায়নাদগী কঞ্জবা ওইবা তাবনি। হকচাং ফনবা, ৱাখল চুম্নবা, শাজৎ চুম্বা লাইনীং লম্বী শেল্লিবনি। চুম্না শেম্বা ঙমদ্রবদি লাইনীং কৌবা য়াদে হায়গনি।

হিংলিবা থৱায়সি লাইনি, নুমিৎ লৈরমদ্রবদি হিংলোই, হিংলে ৱাখল খল্লে, ৱাখলনা লমজিংদুনা চৎলে থাংজিং নীংলে, থবক থৌরম মপা চুম্বা ঙম্বা অদুবু পাখঙবা নীংবা কৌরে, থবক চুম্লবদি মহয়দি চাগনি, লাইবক্তা তম্বা নোংদম্বা শেম্বী-শাবীবা নোংশাবা নীংলে, শিদবা লৈতে, নোঙ্গাবদা ৱাং-পুরেল, ৱাংব্রেন ঈরাৎলে। ৱাখলগী থাক মঙা অসি ঔরায়বসি লাইনীং ওইরে।

মসিদবু করিগী ইকায়গদৌরিবনো? ঙমদবগীদি ইকায়রি। ইশানা ইকায়বা খঙদবা নত্তে, করিদা ইকায়গদৌবনো খঙজদবগীনি। ●

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০৬কী ৱাহং**

১) মৈতৈলোনগী অহানবা টিকেট লৌদুনা শান্নখিবা ড্রামা অদুগী মমিং করি কৌবগে? অইবা অসি কনানো?

২) **"অতিয়া লৈরোনখাদা"** হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো? করম্বা মখলগী লাইরিক্লো?

৩) **"শামু হূরানবা অমসুং সনাগী ক্রোস"** হায়বা লাইরিক অসি অতোপ্পা লোনদগী মণিপুরীদা হন্দোকপনি। মণিপুরীদা হন্দোক্লিবা অসি কনানো?

৪) **"মীতৈ থৌরমলোন অরিবা"** কৌবা লাইরিক অসিগী অইবগী মমিং হায়য়ু।

৫) **"মঙদাবা"** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্লো অমসুং কনানা ইবনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জন্যুৱারী ৩০, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

**ষ্টেটকী পাউ**

## এম য়ুগী এন এস এস টিম এন আই সীগীদমক লমথাখ্রে




**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২০ (ঐচ এন এস):** মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী নেশনল সার্ভিস স্কিম (এন এস এস) টিম ঙসি অসামগী জোরহাটতা লৈবা অসাম এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিটিদা পাঙথোকপা নেশনল ইন্টিগ্রেসন কেম্প (এন আই সী)তা শরুক য়ানবগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে হায়না মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী এন এস এস সেলগী প্রোগ্রাম কোওর্দিনেটর ডা. লাইশ্রম সন্তোসকী চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, শীংথানিংঙাই ওইরবা নেশনল ইন্টিগ্রেসন কেম্প অসি অসাম এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিটিনা শীন্দুনা লৈবাক অসিদা অমত্তা ওইবগী লিপুন শাগৎপা, নাৎ অমসুং চৎনবীগী লমদা অমনা অমবু মশক খঙনবা অমদি লৈবাক অসিগী নহাশিংদা অমনা অমগী মতেং পাংনদুনা পুন্না হিংমীন্নবগী পান্‌দমদা পাঙথোক্কদৌরিবা কেম্প অদু হয়েংদগী থা অসিগী ২৭ ফাওবা চথুগদবনি হায়রি

মণিপুরগী মহুৎ শীন্দুনা ঙসি খোঙশানখিবা এন এস এস টিম অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি অমসুং য়ুনিভর্সিটি অসিগী মখাদা লৈবা কোলেজশিংগী এন এস এস ভোল্যুন্টিয়র ১০না শরুক য়াখি। এন এস এস টিম অদুবু মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মখাদা লৈবা দিপার্টমেন্ট ওফ সাইন্স এন্দ ম্যুজিক অমসুং এন এস এস য়ুনিট ২গী প্রোগ্রাম ওফিসর ডা. এম মচা চাওরৈকনবনা লুচিংখি।

কেম্প অসি মরৈবাক নীংবা, ফুরুপ অমগা ফুরুপ অমগগী মরক্তা নুংশি চান্নবা থম্বা অমদি লৈবাক অসিদা লৈরিবা নহাশিংনা অমত্তা ওইনা চৎমীন্নবগী পান্‌দমদা য়ুম্ফম ওইবনি। কেম্পকী শরুক অমা ওইনা লৈবাক অসিগী ইনাক খুল্লবা নাৎকী চৎনবী অমদি লাইনিং লাইশোন কয়াবু পুন্না শরুক য়ামীন্নবা, লৈবাক্কী মীংচৎ পুরক্লবগীদমক পুন্না হোৎনমীন্নবা অমসুং লৈবাক অমা চাওখৎপদা নহাশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌনবগী মতাংদা পুন্না খন্ন নৈনবগী থৌরমশিং য়াওরি হায়রি।

ঙসি ইম্ফাল থাদোকখিবা এন আই সীগী মীহুৎশিং লৈবাক অসিগী রিপব্লিক দে পেরদতা অখন্নবা মীথুংলেন ওইরুনবগীদমক য়ুনিভর্সিটি অসিগী মাই ভারত এন এস এস ভল্যুন্টিয়র টিমসু ন্যু দেল্লিগীদমক ইম্ফাল থাদোকখিবনি। মাই ভারত অসি মিনিষ্ট্রি ওফ য়ুথ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টসকী মীৎয়েং মখাদা পায়খৎপা থৌরাং ওইবতা নত্তনা মসিনা ইন্দিয়াদা লৈরিবা নহাশিং অমত্তা ওইনা পুনশিন্‌দুনা লৈবাক অসিগী ওইবা থবক থৌরমশিংদা য়াওহনবা, ষ্টেটশিংগী মরক্তা মহৈ মশিংগী খেন্নবা লৈরিবা অমসুং পুন্সি অমা চাওখৎনবা অমদি হৈ শিংবা হেনগৎহনবদা তঙায়দবা মচাকশিং চাওখৎহন্নবগী পান্দমদা লৌখৎপা খোঙথাংনি হায়রি।

মণিপুরগী মহুৎ শীন্দুনা নেশনল ইভেন্টশিংদা শরুক য়ারিবা টিমশিং অসিনা ইন্দিয়াগী তুংগী পুন্সি লেপ্পদা অচৌবা থৌদাং লৌগদৌরিবনি। মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর প্রোফেসর এন লোকেন্দ্রগী পাউতাক মখাদা এন এস এস সেলগী প্রোগ্রাম কোওর্দিনেটর ডা. লাইশ্রম সন্তোসনা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মখাদা লৈরিবা মিনিষ্ট্রি ওফ য়ুথ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টসকা খুৎশম্নদুনা শীংথানিংঙাই ওইরবা থৌরমশিংদা শরুক য়ানবা থৌরাংবনি।

ঙসি ইম্ফাল থাদোকখিবা এন এস এস টিম অদু য়ুনিভর্সিটি অসিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর এন লোকেন্দ্রনা অয়ুক পুং ১০দা য়াইফ পাউজেল পীরদুনা মহৈশঙ অসিদগী লমথাখি।

## কেন্সর এৱ্যেরনেস অমসুং লায়না অসিগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎনবা খন্নখ্রে



**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২০ (ঐচ এন এস):** ছবি সহযোগ ফাউন্দেসন (সী এস এফ)গী লুচিংবা অমসুং কেন্সর সরভাইবল ডা. টি ঐচ কমলা ৱাহেংবমনা মুম্বাইগী ঘাটকোপরদা লৈবা দেভ দেশ প্রতিশথান (দি দি পি) অমসুং সী এস এফ প্রোজেক্ট ওফিসতা চৎতুনা মণিপুরদা কেন্সর লায়নাগী মতাংদা মীয়াম্বু পুক্নিং লৌশিং ওইহন্নবা অমসুং লায়না অসিদগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎনবগী মতাংদা কুপ্পা খন্ন নৈনখ্রে হায়রি।

খোঙচৎ অদুদা সঞ্জয় সিরি, মালেমঙানবী মোইরাংবম অমসুং গয়াত্রি অধিকারিসু য়াওখি। খোঙচৎকী শরুক অমা ওইনা সী এস এফ মণিপুরগী মীহুৎ কাংবু অদুনা দি দি পিগী প্রসিদেন্ট ডা. ভাইভভ দিওগিরকর, সী এস এফকী জেনরেল সেক্রেটেরি পরথা রোয়, সনভিদান ভর্টাগী এদিটর ভিনোদ কম্বল্লে, ডা. রভিন্দ্র জয়গনেশ, রভিন্দ্র কম্বলে অমসুং ভিনোদ চিনকোলিকানচিংবা মীওইশিংগা উনদুনা লায়না অসিগী মতাংদা কুপ্পা খন্ন নৈনখি হায়রি।

খোঙচৎ অসিগী শরুক অমা ওইনা ডা. কমলাগী লায়েংগী মরিক চুম্বা ৱাফমশিং পনবগা লোয়ননা মহাক্না থেংনরিবা শীংনবশিংবুসু শুগায়না থমখি। ডা. কমলানা মীহুৎ কাংবুদুগা উনখিবদা ইন্দিয়াগী অৱাং নোংপোক লমদমশিং মরুওইনা মণিপুরদা কেন্সর লায়না মায়োক্নরিবা কয়াবু শুগায়না খঙহনখিবগা লোয়ননা লায়না অসিবু মায়োক্নবা ঙম্নবগীদমক অফবা হীদাক লাংথকশিং লায়েং অসিগীদমক খুদোংচাবশিং অমসুং লমদম অসিদা কখোক্লবা কেন্সর ক্যের সেন্টরশিং খুমাং চাওশিন্নবগীদমক ৱাফম কয়া থল্লমখি। মহাক্না কেন্সর লায়নাগা শাগোন্নদুনা হিংলিবা মীওই অমসুং ইমুং মনুংগী শেন্‌মীৎলোনদা শীংনরিবশিংগী য়েংদুনা অচৌবা সিটিশিংদা লায়েংবা চৎপদা অনাবশিং অমদি মখোয়গী সেবারিশিংগী ফ্লাইট টিকেট মমল হন্থনা লৌনবা পল্লমখি হায়রি।

## লৌমীশিংগী য়াইফনবা ইতম তুরেলদা দাম শারগনিঃ ইবোমচা



**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২০ (ঐচ এন এস):** ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈরিবা চলৌ খুন ফাওদুনা চেল্লিবা ইতম তুরেল মপান্দা ইঙ্খোল কোইরিবা মীয়াম্না চৎনরিবা ফীভম শোক্লবা লম্বী অসি অথুবা মতমদা শেমজিল্লগনি হায়না লম্লাই এ সীগী এম এম এ খোঙবানতাবম ইবোমচানা খুঞ্জাশিংদা থাজবা থমখ্রে।

মফম অসিদা লৌউ শিংউ তৌদুনা পোখোক মরাং কায়না পুথোক্লবা হোৎনবদা মৈগী অৱাৎপা লৈরম্বা অদুসু মেনখৎতুনা খুদোংচাবা ফংহল্লগনি। মসিদা নত্তনা খুল অসিগী ক্রিমিটোরিয়ম অমা শানবা মফম এম এল এনা য়েংশিনখ্রে। খুল অসিদা লৈরিবা মীয়ামগী শেন্মীৎলোন ফগৎহন্নবগী পান্‌দমদা লৌউ শিংউগী থৌরমশিংদা তঙায়ফদনা মথৌ তারিবা ঈথৈ লৌখোংগী ফীভম ফগৎহন্দুনা ঈশিং মরাং কায়না ফংহন্নবগীদমক ইতম তুরেল মরিলদা দাম অমসু শারগনি হায়না এম এল এনা ফোঙদোকখি।

এম এল এ ইবোমচানা খুঙ্গং অসিগী চাওখৎ থৌরাংগী থবক কয়া পায়খৎনবা থাজবা পীবগীদমক চলৌ ভিলেজ দিভেলপমেন্ট কম্মিটি, চলৌ মৈরা পায়বী অমদি চলৌ য়ুথ য়ুনিয়ন ক্লব অহুমগী থৌমীশিংগা লোয়ননা খুঞ্জাশিংনা এম এল এবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

## কে এম ব্লুমিং স্কুল লিংখৎখিবগী কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২০ (ঐচ এন এস):** থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী খাঙবোক্তা লৈবা কে এম ব্লুমিং হায়র সেকেন্দরি স্কুল লিংখৎখিবগী ৩৭শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি স্কুল অসিদা নাৎকী ওইবা থৌরম কয়াগা লোয়ননা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি এদুকেশন মণিপুরগী চ্যেরমেন টি ওজিৎ, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী সাউথ ইষ্ট এসিয়ান ষ্টদিজকী হেদ ডা. চীংলেন মৈস্নাম, কে এম ব্লুমিং হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী চ্যেরমেন খুন্দ্রাকপম মেঞ্জোর মঙাং, থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী এদিস্নল এস পি (ওপরেসন) হিজম দেবেন্দ্র, এদিস্নল এস পি (লো এন্দ ওর্দর) এন সুরজ, মেন্টেল হেল্থ এক্টিভিষ্ট ডা. আর কে লেনিন অমসুং খাঙবোক্তা লৈবা সুর হোস্পিটালগী চ্যেরমেন ডা. এল সোমেনকুমারসু শরুক য়াখি।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা শরুক য়াখিবা শক্লইরবশিংনা স্কুল অসিগী লৈখিদ্রবা ফাউন্দর মেম্বরশিং, স্কুল অসিবু চাওখৎনবা হোৎনবদা মতেং পাংবীরম্বশিং, মেনেজিং কম্মিটিগী মেম্বরশিং অমদি ওজাশিংগী ফোটোদা লৈ শু কৎতুনা ইকায় খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা স্কুল অসিগী ফিরাল চিংখৎতুনা থৌরম অদু হৌদোকখি।

স্কুল অসিগী মহৈরোয়শিংনা পুং চোলোম, থাঙ-তা অমদি তোঙান তোঙানবা নাৎকী ওইবা জগোয় ঈশৈশিং উৎতুনা কুমওন থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা মীয়ামগী পুক্নিং চিংশিনখি।

স্কুল অসিগী ফাউন্দর মেম্বরশিং, স্কুল অসিদা মতেং পাংলকপশিং, বেষ্ট ষ্টুদেন্ট এৱার্দ, বেষ্ট গার্জিয়ান এৱার্দ ফংলবশিং, তোঙান তোঙানবা ইগজামিনেশন অমসুং চাংদম্নবা কয়াদা থোইদোক হেন্দোক্না মায় পাক্লক্তুনা মনা মথুম ফংলকখ্রবা মহৈরোয়শিং অমদি মমা মপাশিংদসু স্কুলগী মায়কৈদগী সার্টিফিকেট অমদি শেল য়াওনা অচম্বা খুদোলশিং পীদুনা ইকায় খুম্নবা উৎখি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।